# পোখ্রা ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টপু চাইনা-নেপাল বি আর আই কো ওপরেসনগী প্রোজেক্টনি হায়বদগী নেপালদা ৱাথোক অমা লাক্লে



কাঠমান্দু, জনুৱারী ৫ (এজেন্সী):
কাঠমান্দুনা লৈবা চাইনিজ এম্বেসিনা পোখ্রা ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টপু চাইনা-নেপাল বি আর আই কো ওপরেসনগী ফ্লেগশিপ প্রোজেক্ট অমনি হায়না নেপালগী ৱা তাদনা লাউথোক্লুবদগী চাইনাগী বেল্ট এন্দ রোদ ইনিসিএটিব (বি আর আই) গী মতাংদা হিমালয়গী লৈবাক অসিদা ৱাথোক অমা লাক্লে।

চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংগী দোল্লর বিলিয়ন কয়াগী ওইবা ফ্লেগশিপ প্রোজেক্ট (বি আর আই) গী মখাদা নেপালদা প্রোজেক্ট অমত্তা সাইন তৌনখিবা লৈতে হায়বসি নেপালি অমসুং চাইনিজ ওফিসলশিংনা য়াজখ্রবসু হন্দক্তা কাঠমান্দুদা চাইনিজ এম্বেসিনা লাউথোকখিবা ৱাফম অসিনা নেপালদা অচৌবা ৱাথোক অমা লাকহল্লে হায়রি।

এয়রপোর্ট অদু চাইনিজ লোনগী শেনফম শীজিন্নদুনা শাখিবনি অমসুং নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর পুস্পা কমল দাহল প্রচান্দনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা শঙ্গাখিবনি। তৌইগুম্বসুং কাঠমান্দুনা লৈবা চাইনিজ এম্বেসিনা খঙহৌদনা শঙ্গাবা নুমিত্তা লাউথোরকখিবা ৱাফম অদুনা কাঠমান্দুদা ৱাথোক অসি থোরকখিবনি। ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্ট অদু শঙ্গাগদবা নোংমা ৱাংলিঙৈদা চাইনিজ এম্বেসি অসিনা হায়খি, মদুদি পোখ্রা ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্ট অসি চাইনা-নেপাল (বি আর আই) কো ওপরেসনগী ফ্লেগশিপ প্রোজেক্টনি।

প্রোজেক্ট অসি মপুং ফানা লোইশিন্দুনা শঙ্গাবগা লোয়ননা নেপাল্লি গভর্ণমেন্ট অমসুং লৈবাক অসিগী মীয়ামদা চাইনাগী মহুৎ শীন্দুনা এম্বেসি অসিনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লি। শঙ্গাবগী নুমিত্তুদা চার্জ দি এফিয়র্স ৱাং সিননা হায়খি, মদুদি কুমজা ২০২৩ অসি প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা বি আর আই ইনিসিএটিব প্রপোজ তৌখিবগী তরাশুবা কুমওননি। হেদ ওফ ষ্টেট অনীগী লিচিং মখাদা ঐখোয়না ট্রান্স-হিমালয়ন মল্টি-দাইমেনস্নেল কন্নেক্টিভিটি নেটৱার্ক পুন্না শেমগৎ শাগৎমিন্নরগনি। বি আর আইগী কো ওপরেসন অসি মহৈ য়ানবা ওইরসনু।

নেপাল্লি মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না ইস্যু অসি হৌজিক করম্না অমদি করিগীদমক্তা থোক্লক্লিবনো হায়বগী মতাংদা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর দাহলনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

নেপাল সিভিল এভিএসন ওথোরিটিগী দিরেক্তর জেনরেল প্রদিপ অধিকারিগী মতুং ইন্না পিএম দাহলনা পোখ্রা এয়রপোর্ট অসি বি আর আইগীরা নত্ত্রা হায়বগী মতাংদা নুংনাংবা উৎখি অমসুং চাইনিজ এম্বেসিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদসু অঙকপা উৎখি। নেপালগী লেক সিটিদা প্রোজেক্ট অদু হৌদোকপগা মরী লৈননা পীখিবা মহাক্কী স্পিচতা প্রাইম মিনিষ্টরনা প্রোজেক্ট অদুবু শারিবদু বি আর আইগী মখাদনি হায়বা পনখিবসু লৈতে।

চাইনানা মথোং মরম খঙদনা খঙহৌদনা পোখ্রা এয়রপোর্টকী মতাংদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিং অমদি মদুবু বি আর আইগা মরম চাদনা মরী লৈনহনখিবদুগী মতাংদা নেপালগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিংনসু নুংনাংবা উৎখি।

পোখ্রাদা অনৌবা এয়রপোর্ট অদু শানবগীদমক্তা নেপাল গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০১৬ গী মার্চতা চাইনাগা দোল্লর মিলিয়ন ২১৫.৯৬ কী সোফ লোন এগ্রিমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখিবনি।

# পুটিননা এটলান্টিক্তা অনৌবা জির্কোন হাইপরসোনিক ক্রুজ মিসাইলশিং দিপ্লোই তৌখ্রে



মোস্কো, জনুৱারী ৫ (এজেন্সী):
য়ুক্রেনগী লানগী মতাংদা রসিয়ানা খোঙফম হন্দোকপা লৈরোই হায়বসি নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা খঙহনবগী খোঙথাং অমা ওইনা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা অনৌবা জেনরেসনগী হাইপরসোনিক ক্রুজ মিসাইলশিং য়াওবা ফ্রিগেদ অমা এটলান্টিক ওসিনদা থাখ্রে।

স্পিদতা সাউন্দদগী শরুক মঙা হেন্না য়াংবা অমদি ইরায় লাইনা মেনুবর তৌবা ঙম্বা অসিনা মরম ওইদুনা রসিয়া, চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা খুৎলায়গী লমদা য়েক্লুবদগী হেনবা ঙম্নবগীদমক্তা হাইপরসোনিক খুৎলায়শিং শানবা হোৎনবদা হিদান্নরিবনি।

দিফেন্স মিনিষ্টর সর্গি সোইগু অমসুং 'এদমিরেল ওফ ড ফ্লিট ওফ ড সোভিএট য়ুনিয়ন বোর্স্কোব' কৌবা ফ্রিগেদ অদুগী কম্মান্দর ইগোর ক্রোপমালগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা ভিদিও কনফরেন্স অমদা পুটিননা হায়খি, মদুদি জ হাজ অদুদা জির্কোন (সির্কোন) হাইপরসোনিক খুৎলায়শিং য়াওই।

হন্দক্তি রসিয়াগী লানগী জহাজ অসিদা খ্বাইদগী নৌবা হাইপর-সোনিক মিসাইল সিষ্টেম (জির্কোন) য়াওই। অসিগুম্বা মতিক ময়াই লৈরবা খুৎলায়শিং অসিনা রসিয়াবু মপানদগী পীরকপা থ্রেটশিংদগী নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়বসি ঐহাক্কী অচেৎপা থাজবনি হায়না পুটিননা ফোঙদোকখি।

খুৎলায়শিং অদুগা মান্নবা অমত্তা মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদা লৈতে হায়নসু পুটিননা কনফরেন্স অদুদা পনখি। প্রসিদেন্ট পুটিননা য়ুক্রেনদা রসিয়ন ট্রুপশিং থাদুনা লান্দাখিবা থা তরা হেল্লক্লুবা ফাওবদা নিংথম থাগী ইংলবা মতমদা আর্টিল্লরিগী লান চখ্থদুনা নাকল অনীমক্তা লান্মী লিশিং কয়া শিহনখ্রবা অমদি লিশিং কয়া অমনা শোকহনখ্রবা লান অদু লোইশিল্লক্লগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ অমত্তা উবা ফঙদ্রিবনি। রসিয়ানা য়ুক্রেনদা হাইপরসোনিক কিঞ্জাল (দেগর) মিসাইলশিংসু শীজিন্নখি।

কুমজা ২০১৯ দা কম্বেট দ্যুটিদা চঙবা হৌখিবা এবানগার্দ হাইপরসোকি গ্লাইদ ভেহিকলগা লোয়ননা জির্কোননা রসিয়াগী হাইপরসোনিক খুৎলায়শিংগী পুক্কেদা মতিক ময়াই লৈরবা খুৎলায়শিং ওইনা উৎপা ঙল্লি।

রসিয়ানা খুৎলায়শিং অদু য়ুএসকী লেপ্তুনা টেক্নোলোজিদা খুমাঙ চাওশিল্লক্লিবা মিসাইল দিফেন্সশিং থুগায়বা ঙম্বা খুৎলায়শিংনি হায়না লৌরিবনি।

# কাবুলদা লৈবা পাক এম্বেসিদা চখ্থখিবা এটেক্তা চেন্নবা আই এস টেররিষ্টশিং হাৎখ্রে



কাবুল, জনুৱারী ৫ (এজেন্সী):
অফঘানিষ্টানগী কেপিটেল কাবুলদা লৈবা পাকিস্তানগী এম্বেসিদা চখ্থখিবা এটেক্তা চেন্নবা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) ইস্লামিক টেররিষ্টশিং ওপরেসন অমদা হাৎখ্রে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা টালিবাননা লূচিংবা গভর্ণমেন্টগী স্পোক্সমেন জাবিহুল্লা মুজাহিদনা ফোঙদোকখ্রে।

দোন ন্যুজকী রিপোর্ট মতুং ইন্না কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বর ২ দা অফঘানিষ্টানদা লৈবা পাকিস্তানি চার্জ দি এফিয়র্স উদাইগুর রেহমন নিজামনিদা টার্গেট তৌদুনা এম্বেসি অদুদা এটেক চখ্থখি।

এটেক অদুদা নিজামনি শম্নাদা হিংহৌবগা লোয়ননা থোইদোক্লা অশোক অপন থোকহৌদ্রবসু মহাক্কী গার্দ অদু ফিভম লূনা শোকখি।

ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী খোরাসান চেপ্টর (আই এস-কে) না এটেক অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌদুনা মখোয়না পাকিস্তানি এনভোই অদুদা টার্গেট তৌখি হায়বসি কনফার্ম তৌখি। মতুং তাবদা ইস্লামাবাদতা লৈবা ফোরেন ওফিসনা মখোয় অফঘান ওথোরিটিশিংগা তত্তনা পাউ ফাওনরি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা এটেক অদুগী মতাংদা অফঘান ওথোরিটিশিংনা মপুং ফানা থিজিন্নগনি অমদি মদুদা হকথেংননা চেন্নবশিং অমদি মখোয়বু মতেং পাঙবশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা লোগী ওইবা এক্সনশিং লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোকখি।

শগোলশেল নুমিত্তা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা মুজাহিটনা হায়খি, মদুদি এম্বেসি অদুদা অমসুং চাইনিজ নেসনেল কয়া লৈরিবা হোটেল অমদা চখ্থখিবা এটেকশিংদা চেন্নবা ইস্লামিক গ্রুপকী খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা নেটৱার্ক অমগী মায়োক্তা অফঘান সেক্যুরিটি ফোর্সেসনা কাবুলদা ওপরেসন চখ্থখি।

পনবা য়াবদি, বোম অমদি নোংমৈগী এটেক অমদা চাইনিজ নেসনেল মঙা অশোক অপন নঙলে হায়না চাইনানা কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বর ১২ দা ফোঙদোকখিবনি। চাইনিজ নেসনেলশিং অদু মতুং তাবদা সেক্যুরিটিগী ৱাফমশিংগা মরী লৈননা অফঘানিষ্টান থাদোক্লুবা বৈজিংদা লৈবা ওথোরিটিশিংনা খঙহনখিবনি।

স্পোক্সমেন অসিনা মখা তারদুনা ওপরেসন অদুদা হাৎখিবা মিলিটেন্টশিং অদু কাবুলগী মিলিটরি ফিল্ড অমগী মনাক্তা অমদি অতৈ মফম কয়াদা বোমগী এটেকশিং চখ্থখিবদা চেন্নখিবশিংনি হায়বসিসু কনফার্ম তৌখি। মহাক্কী মতুং ইন্না নিমরোজ প্রোভিন্সতসু আই এসকী মায়োক্তা মান্নবা ওপরেসন অমা পাঙথোকখি। য়ুমশকৈশ নুমিৎকী ওপরেসন অদুদা আই এস মেম্বর নিপান হাৎখি।

# কলম্বীয়ন গভর্ণমেন্টনা সিজ ফায়র সস্পেন্দ তৌখ্রে



বোগোটা, জনুৱারী ৫ (এজেন্সী):
কলম্বীয়াগী লাল-হৌলূপ নেসনেল লিভ-রেসন আর্মি (ইএলএন) না গ্রুপ অসি প্রসিদেন্ট গুষ্টাবো পেট্রোনা ন্যু ইয়র নোংমা ৱাংলিঙৈদা লাউথোকখিবা বাই লেটরেল সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট অদুদা য়াওই হায়বসি য়াখিদ্রবা মতুংদা কলম্বীয়ন গভর্ণমেন্টনা গুরিলা গ্রুপ অসিগা খুৎয়েক পীনখিবনি হায়বা সিজ ফায়র লেপ্পনবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না টোপ ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশগী অথেংবদা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা ইন্টরিয়র মিনিষ্টর অলফোন্সো প্রাদানা হায়খি, মদুদি ঙরাং (লৈবাকপোকপা নুমিত্তা) ই এল এননা লৌখিবা পোজিসন অদু য়েংলগা ঐখোয়না কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বর ৩১ গী দিক্রি অদু সস্পেন্দ তৌননবা ৱারেপ লৌরে। ই এল এননা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট অদু নিগোসিএসনগী মতমদা নাকল অনীনা য়াননবা মরী লৈনবশিংদা পাউতাক পীখিবনি।

প্রাদানা মখা তানা হায়খি, মদুদি ই এল এননা হোলিদে সিজনগী ওইনা দিসেম্বর ২৪ দগী জনুৱারী ২ ফাওবা য়ুনিলেটরেল সিজ ফায়র ঙাকপগী ৱাফম লূপ অসিনা য়াখ্রবা মতুংদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী সিজ ফায়র চৎনবগী ৱাফম অসি অহানবা ওইনা লাউথোকখিবনি।

প্রাদানা মখা তানা হায়খি, মদুদি ইথনিক অমসুং লৌউ শিংবগী কম্যুনিটিশিংনা মখোয়গী লমশিংদা বাই লেটরেল সিজ ফায়র লৈহন্নবা অমদি হাৎন-শুনবগী থবকশিং লেপ্পনবা কন্না আপিল তৌখিবগী রেস্পোন্স ওইনা ঐখোয়না ওর্গনাইজেসন অসিদা ভেরিফাই তৌবা য়াবা ট্রুস অমা লাউথোরক্লুবা তকশিল্লি।

মীওই মিলিয়ন কয়া অৱাবা নঙহল্লিবা চহী ৫০ হেল্লবা কনফ্লিক্ট লোইশিনবা য়ানবগীদমক্তা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা খুৎলায় পায়বা ফেক্সনশিং চেন্নগদবা টোটেল পিছ পোলিসি অমা কুমজা ২০২২ দা ওফিস পায়বা হৌখিবা পেট্রোনা প্রপোজ তৌখিবনি। মহাক অসুম্না কলম্বীয়াগী মতম শাংলবা লান অদু লোইশিন্নবা পান্দমগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী খুৎলায় পায়বা ফেক্সনশিংদা মপুং ফাবা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগী পোলিসি প্রপোজ তৌখিবা অহানবা লেপটিষ্ট প্রসিদেন্টনি।

# চাইনাগী অনৌবা সুপর করিয়র চাংয়েং চখ্থরগনি

সিওল, জনুৱারী ৫ (এজেন্সী):
চাইনিজ নেভিগী চাওরবা অনৌবা এয়রক্রাফট করিয়র সি এন এস ফুজিয়ান চহী অসিদা অহানবা ওইনা সমুদ্রদা থাধদুনা চাংয়েং চখ্থরগনি হায়না জহাজ অদুগী একজিক্যুটিব ওফিসারনা ষ্টেট মেদিয়াগী ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটনা চল্লাইবা চাইনা দেলিনা ফোঙদোকখিবা ইন্টরভিয়ু অদুগী রিপোর্ট অমদা সেনিয়র কেপ্টেন্ট ক্যান চুমিননা করম্বা মতমদা এয়রক্রাফট করিয়র অদুগী অহানবা সি এক্সকর্সন পাঙথোক্কদগে হায়বগী চপ চাবা মতম পীখিদে। সমুদ্রগী ট্রাইয়েলশিং অদুনা পিপলস লিভরেসন আর্মিগী সেন্টিনরি মতম শাংলক্লবা পান্দমশিং ফঙহনবদা কন্ট্রিব্যুট তৌরগনি হায়বা ৱাফমদমক মহাক্না পনখি।

পিএলএগী মোর্দনাইজেসন কোলশিংগী দেদলাইন অমা ওইনা চাইনিজ লিদর সি জিনপিংনা ওক্তোবর পনখিবগী রিফরেন্স লৌরদুনা সেন্টিনরিগী পান্দম অদু কুমজা ২০২৭ তা তাগনি হায়না মেদিয়া রিপোর্ট খরনা হায়রি।

ফুজিয়ান অসি চাইনানা হৌজিক ফাওবদা শারিবা জহাজশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা জহাজনি। মসিবু ওপরেট তৌবা হায়বসি পি এল এ নেভিগী পান্দমশিংগী মনুংদা মরু ওইবা কম্পোনেন্ট অমনি। জহাজ অদু জুন ১৭ তা লোঞ্চ তৌখি অমসুং সাংহাই সিপয়ার্দতা মদুবু শাবগী থবক অরোইবা তাঙ্কক্তা লৈরবনি হায়রি।

# পাকিষ্টান টালিবাননা রুল্লিং কোল্লিসনগী লিদরশিংদা কিহনখ্রে

ইস্লামাবাদ, জনুৱারী ৫ (এজেন্সী):
পাকিষ্টানগী রুল্লিং কোল্লিসনগী মরু ওইবা পার্টি অনী- পাকিষ্টান পিপলস পার্টি (পি পি পি) অমসুং পাকিষ্টান মুস্লিম লিগ-নৱাজ (পি এম এল-এন) গী মায়োক্তা মশক থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা খন্নরি হায়না টেহরিক-ই টালিবান পাকিষ্টান (টি টি পি) না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

টি টি পিনা ইস্যু তৌখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রিবদি পার্টি অনী অসিনা মখা তানা মখোয়গী ফিরেপতগী অহোংবা লৈতনা মখা তানা আর্মিগী মিনাইশিং ওইদুনা লৈরবদি মখোয়গী লুচিংবশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎলগনি। মীয়াম্না অসিগুম্বা পার্টিশিং অসিগী লুচিংবশিংগা নকশিন্নরোইদবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

টি টি পিনা ষ্টেটমেন্ট অদুদা ক্লেম তৌখি, মদুদি টি টি পিগী জিহাদি ফিল্ডদি পাকিষ্টান খক্তনি অমসুং ঐখোয়গী টার্গেটতি লৈবাক অসিবু ওক্যুপাইদ তৌরিবা সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংনি হায়বসি মালেম পুম্বনা খঙই। মতম শাংনা টি টি পিনা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎতনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং লাইবক থীবদি বিলাৱল ভুটো জর্দারিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু মমা ওইবগী ষ্টেটস পীদুনা লৈবাক অসিগী মীনুংশি মীৎয়েংদা হিংনিংবগী ইঙ্গিৎ পীখি। মহাক্কী থৌওং অসিমক টি টি পিগী মায়োক্তা ইফোঙ ফোঙনা লান লাউথোরকপনি হায়না ঐখোয়না লৌই হায়খি।

# 'সিওলগী নো-ফ্লাই জোন অমা নোর্থ কোরিয়াগী দ্রোন অমা হুৎচিল্লকখি'

সিওল, জনুৱারী ৫ (এজেন্সী):
কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বরদা সিওলদা লৈবা প্রসিদেন্ট য়ুন সুক য়িওলগী ওফিসকী অকোয়বদা শেল্লিবা কিমি ৩.৭ গী রেদিএস ওইবা নো-ফ্লাই জোনদা নোর্থ কোরিয়াগী দ্রোন অমা ঙাইহাক পাইশিল্লকখি হায়বসি মিলিটরি ওফিসল অমনা খরা থেংনা শগোলশেল নুমিত্তা ন্যুজ এজেন্সি অমদা কনফার্ম তৌখ্রে।

অসিগুম্বা শাথিবা মওংগী এয়র স্পেস সেক্যুরিটি ফেল ওইবগী ফিভম অমত্তা লৈখিদে হায়বা দিফেন্স ওথোরিটিশিংনা মমাঙদা লাউথোকখিবা ৱাফমগী ওন্ন- তৈনবদা মিলিটরি ওফিসল অদুনা ৱাফম অসি কনফার্ম তৌখিবনি।

দ্রোন অদু কোরিয়া অনী তোঙান তোঙানবা খায়দোক্লরিবা মিলিটরি দিমার্কেসন লাইন লান্না দিসেম্বর ২৬ তা নোর্থ কোরিয়ানা থাখিবা অনমেন এরিএল ভেহিকল মঙাগী মনুংদা অমনি।

সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা দ্রোন অদু কাপথবা ঙমহৌদবদগী লৈবাক অসিগী এয়র দিফেন্সকী ফিভমগী মতাংদা মায়কৈদগী ৱাহং কয়া হংনরকখি। পি-৭৩ কৌবা সেক্যুরিটি এরিয়া অদুদা রিফরেন্স পীরদুনা মশক মমিং খঙহন্নিংদবা ওফিসল অদুনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি দ্রোন অদু জোন অদুগী অৱাং থংবা শরুক্কী মনুং চন্না পাইশিল্লকখি। তৌইগুম্বসুং মদু মরু ওইবা সেক্যুরিটি ফেসিলিটিশিংদা নকশিল্লকপদি তৌখিদে। মদুগী মমাঙদা নোর্থকী দ্রোন অদু সিওলদা লৈবা নো-ফ্লাই জোনদা হুৎচিল্লকখি হায়বা মেদিয়া রিপোর্টশিং জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফনা রিজেক্ট তৌখিবনি।

জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফকী স্পোক্স পার্সন কর্নেল লি সুং-জুননা রিপোর্টশিং অদু চুমদবা অমদি য়ুস্ফম য়াওদবশিংনি হায়রদুনা কন্না য়ানিংদবা উৎখি। নোর্থ কোরিয়াগী দ্রোনশিংনা সাউথ কোরিয়াগী সেন্সিটিব ওইবা টেরিটরিশিংদা চঙশিল্লকপসি মমাঙদসু থোকখ্রবনি। দ্রোনশিং অদুবু কাপথবা ঙমখিদবা অসিনা সাউথকী মায়কৈদা অসিগুম্বা খুৎলায়শিং দিটেক তৌনবা অমদি ট্রেক্কিং তৌনবা লোয়ননা কাপথননবা মতিক চানা শেম শাবা লৈতে হায়বসি উৎলি হায়রি।

# ইর্দোগাননা সিভিল সার্ভেন্টশিং, পেন্সন্নরশিংগী সেল্লারি চাদা ৩০ হেনগৎহনখ্রে



অঙ্করা, জনুৱারী ৫ (এজেন্সী):
টর্কিগী প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িব ইর্দোগাননা কুমজা ২০২৩ গী অহানবা থা তরুক্কী মনুংদা লৈবাক অসিগী সিভিল সার্ভেন্টশিং অমসুং পেন্সন্নরশিংগী শেনফমশিং চাদা ৫ দগী ৩০ ফাওবা অমুক হেনগৎহল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

খোঙথাং অসি ইর্দোগাননা এক্তিব অমসুং থবক্তগী পোত্থারবা সিভিল সার্ভেন্টশিং অনীমক্কী সেল্লরিশিং চহী অসিগী অহানবা থা তরুক্কী ওইনা চাদা ২৫ হেনগৎহল্লগনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাউথোকখ্রবা মতুংদা লাকপনি।

পার্লিয়ামেন্টতা মহাক্কী পার্টিগী মেম্বরশিংদা ৱা ঙাঙবদা ইর্দোগাননা হায়খি, মদুদি ষ্টদিশিং চখ্থরবা মতুংদা ঐখোয়না সিভিল সার্ভেন্টশিং অমসুং পেন্সন্নরশিংগী সেল্লরি হেনগৎপগী চাং অতৈ এরিয়াশিংদা সেক্রিফাইস খরা লৈহল্লগা চাদা ৩০ ফাওবা হেনগৎপগী খুদোংচাবশিং পীরি।

থবক্তগী পোত্থারবা সিটিজনশিংগী খ্বাইদগী নেম্বা পেন্সন কুমজা ২০২৩ দা লিরা ৫,৫০০ (দোল্লর ২৯৩) ওইদুনা হান্না লিরা ৩,৫০০ ওইরম্বদুদগী মশক থোক্লা হেনগৎলগনি হায়না ইর্দোগাননা ফোঙদোকখি।

খোঙথাং অদু গভর্ণমেন্টনা হিংবদা চঙবা পোৎলমশিংগী মমল ৱাংখৎলকপদগী টর্কিজ সিটিজনশিংনা মায়োক্লরক্লিবা অৱাবশিং কোকহন্নবা হোৎনরিবশিংগী শরুক্লি। কুমজা ২০১৮ গী ময়াই চনবা শরুক্তগী টর্কিদা ইনফ্লেসনগী চাং ৱাংবা অমদি য়ুমশিংগী পর্চেজিং পৱার হন্থরকপগুম্বা অরুবা ইকনোমিক প্রোব্লেমশিং থোক্তুনা লাকখি। ইর্দোগান হৌজিক জুনদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্সিএল অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনশিংদা কেন্দিদেট ওইননবা শেম শারিবনি।

টর্কিনা অরুবা শেল থুমগী ফিভম কয়া মায়োক্লজরবসু লৈবাক অসিগী সিটিজনশিংনা মহাকপু শোয়দনা শৌগৎকনি হায়না ইর্দোগাননা থাজরিবনি। টর্কিজ গভর্ণমেন্টনা লো-ইনকম ইমুংশিংগী ওইনা অচৌবা হাউজিং প্রোজেক্ট, মিদ্দল-ইনকম টকশিংগী ওইনা অহোংবা হোম মোর্গেজ অমসুং লৱার য়ুটিলিটি টেক্স রেটশিং য়াওনা মখল মখা কয়াগী ইনিসিএটিবশিং হৌদোকখ্রবনি।

# এক্স কনভিক্ট অমবু মিনিষ্টর ওইনা খনবা ইজরেলগী এর্টোনি জেনরেলনা ওপোজ তৌখ্রে

টেল অভিব, জনুৱারী ৫ (এজেন্সী):
প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুগী অনৌবা ফার-রাইট কোল্লিসন গভর্ণমেন্ট শেম্বদা হান্নগী কনভিক্ট অমবু কেবিনেট মিনিষ্টর অমা ওইনা এপোইন্ট তৌবা য়াম্না মথৌ তারবসু ইজরেলগী এর্টোনি জেনরেল গালি বহরাব-মিয়ারানা এপোইন্টমেন্ট অদু মহাক্না ওপোজ তৌই হায়না লাউথোকখ্রে।

এর্টোনি জেনরেল বহরাব-মিয়ারানা সুপ্রিম কোর্টতা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি টেক্স ফ্রোদকা মরী লৈননা কনভিক্ট তৌখ্রবা অল্ট্রা-ওর্থোদোক্স পার্টি সাসকী ভেটরান লিদর অরিঅস দেরিবু সেনিয়র মিনিষ্টর ওইনা এপোইন্ট তৌবা অসি মরম চাদে। এপোইন্টমেন্ট অদু য়েনফম থোকপা মরমশিংদগী য়াম্না থাপ্না লৈ হায়না সুপ্রিম কোর্টতা পীশিনখিবা ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

এর্টোনি জেনরেল অসিনা হায়খি, মদুদি দেরিগী করিয়রদা হঞ্জিন হঞ্জিননা ষ্টেট লোশিং অমদি ক্রিমিনেল প্রোহিবিসনশিং ইনখিদবগী থৌদোক কয়া লৈখি। মদু রুল ওফ লো হঞ্জিন হঞ্জিন্না ভাইওলেট তৌবনি।

মহাকপু ইন্টরিয়র মিনিষ্টর অমদি হেল্‌ঠ মিনিষ্টর ওইনা এপোইন্ট তৌবগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্টতা আপিল তৌরকপগী মায়োক্তা মহাক্না কোর্টতা দেরিবু দিফেন্দ তৌরোই হায়নসু বহরাব-মিয়ারানসু ফোঙদোকখি। দেরিগী এপোইন্টমেন্টগী মায়োক্তা লাকখিবা তোঙান তোঙানবা আপিল অহুমগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা শগোলশেল নুমিত্তা দিস্কসন হৌগদবনি।

অমরোমদা, দেরিনা পব্লিক ষ্টেটমেন্ট অমগা লোয়ননা রেস্পোন্দ তৌদুনা বহরাব-মিয়ারাগী ফিরেপ অদু লন্নাই ওইবা মওংদা মহাক্কী মায়োক্তা লম্মন খুম্নবা হোৎনরকপনি হায়খি। সুপ্রিম কোর্টনা মহাকপু শোয়দনা মিনিষ্টর অমা ওইনা মথৌ তৌহল্লক্কনি হায়বগী থাজবসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

বহরাব-মিয়ারাগী ষ্টেটমেন্ট অসিনা ইজরেলগী পুৱারীদা খ্বাইদগী হেন্না কঞ্জার্বেটিব অমসুং এক্সট্রিম-রাইট ওইনা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমসুং ইজরেল্লি লিগেল সিষ্টেমগী মরক্তা লাকপা মরু ওইবা কনফ্লিক্ট অমনি হায়না লৌনরি।

# In the High Court of Manipur At Imphal

WA No.132 of 2022

In the matter of a writ appeal filed under Chapter IV-A, Rule-3 of the High Court of Manipur Rules, 2019 read-with Order XLI, Rule 1, CPC by the Appellant [Writ Petitioners 1 and 3 in W.P. (C) No. 726 of 2016] praying for setting aside the impugned judgment order dated 29-11-2022 passed in W.P. (C) No.726 of 2016 by the Hon'ble Single Judge (Hon'ble Mr. Justice M.V. Muralidharan) inter alia dismissing the writ petition filed by the Appellants.

1. Thangjam Bijananda Singh, aged about 59 years, S/o (L) Th. Chandramani Singh of Khurai Nandeibam Leikai, P.O. Lamlong and P.S. Porompat, District Imphal East, Manipur and another.

***... Applicants***

-Versus-

1. The State of Manipur, represented by the Chief Secretary to the Government of Manipur, Office at the Secretariat Complex, Babupara, Imphal West and 17 others.

***... Respondents***

To

1. T. Arunkumar Singh ***(Respondent No. 6).***
2. S. Nandakishore Singh ***(Respondent No. 7).***
3. Thamei Gaipuril Kabui (ST) (***Respondent No. 8).***
4. Sh. Jugeshore Sharma ***(Respondent No. 9).***
5. R.K. Khomdon Singh ***(Respondent No. 10).***
6. Th. Nungshi Singh ***(Respondent No. 12).***
7. M. Mubi Singh ***(Respondent No.13).***
8. L. Deben Singh ***(Respondent No.14).***
9. A. Ghanashyam Sharma ***(Respondent No.15).***
10. Th. Sarat Singh ***(Respondent No.16).***
11. K. Mangi Singh ***(Respondent No.17).***
12. A. Surendra Sharma ***(Respondent No.18).***
13. L. Kulachandra Singh ***(Respondent No.19).***
14. S. Shamu Singh (SC) ***(Respondent No.20).***
15. Akhuba Kabui (ST) ***(Respondent No.21).***
16. S. Ingo Singh ***(Respondent No.22).***
17. S. Punyaban Singh (***Respondent No.23).***
18. S. Meghachandra Singh ***(Respondent No.24).***
19. H. Gyaneshore Singh ***(Respondent No.25).***
20. M. Kumarjit Singh ***(Respondent No.26).***
21. Y. Rajendro Singh ***(Respondent No.27).***
22. P. Binod Ranjan Singh ***(Respondent No.28).***
23. I. Chitaranjan Singh ***(Respondent No.29).***
24. Mangkhojang Kipjen (ST) ***(Respondent No.30).***
25. Seikhomang Touthang (ST) ***(Respondent No.31).***
26. K. Ajit Kumar Sharma ***(Respondent No.32).***
27. N. Manglemba Singh ***(Respondent No.33).***
28. K. Pukeho Mao (ST) ***(Respondent No.34).***
29. L. Thangboi Kuki (ST) ***(Respondent No.35).***
30. N. Angam Ningshen (ST) ***(Respondent No.36).***
31. T. Thongjapao (ST) ***(Respondent No.37).***
32. J.S. Peter Makanmi (ST) ***(Respondent No.38).***
33. H. Pearson TKL (ST) ***(Respondent No.39).***
34. Ningam Siro (ST) ***(Respondent No.40).***
35. NL Kongam Anal (ST) ***(Respondent No.41).***
36. Swelling Hope Chiru (ST) ***(Respondent No.42).***
37. G. Jemkhansuan Paite (ST) ***(Respondent No.43).***
38. Ch. Adani Mao (ST) ***(Respondent No.44).***
39. Ginjamang Vaiphei (ST) ***(Respondent No.45).***
40. R. Jonah (ST) {under sealed cover} ***(Respondent No.46).***
41. Naorem Dhangge Meetei, aged about 56 years, S/o (L) N. Thambalangou of Khurai Soibam Leikai, P.O. Lamlong and P.S. Porompat, District Imphal East, Manipur ***(Respondent No.47).***

NOTICE UNDER ORDER V RULE 20 C.P.C.
(SUBSTITUTED SERVICE)

Whereas the above named Appellants have filed an application for a writ appeal filed under Chapter IV-A, Rule-3 of the High Court of Manipur Rules, 2019 read-with Order XLI, Rule 1, CPC by the Appellant [Writ Petitioners 1 and 3 in W.P. (C) No. 726 of 2016] praying for setting aside the impugned judgment order dated 29-11-2022 passed in W.P. (C) No.726 of 2016 by the Hon'ble Single Judge (Hon'ble Mr. Justice M.V. Muralidharan) inter alia dismissing the writ petition filed by the Appellants.

And, whereas, the Hon'ble Court vide its order dated 29-12-2022 passed in WA No.132 of 2022 has been pleased to allow the appellants to serve notice to the Respondent Nos.6 to 10 and 12 to 47 by way of Substituted Service.

Therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making advertisement in the News Papers requiring you to appear before the Court on the returnable date i.e. 16-01-2023 at 10:30 a.m. either in person or by a lawyer duly authorised.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by someone by law authorised to acts for you in the aforementioned case on the date of appearance or before such latter date on which the case may be heard, the case will be heard and decided ex-parte in your absence.

Signed and sealed by Order of the Court this 2nd day of January, 2023.

*By order,*
**ASSISTANT REGISTRAR-I**

By:-
Mr. M. Rarry, Advocate
The 2nd January, 2023.

HL-P/4957/6&8